সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী লোইশিনখ্রে

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন হরয়ানানা থংননা মরিরক টাইটল লৌখ্রে





*"ঐগী টিমনা ঙসি ৱিন্নর ওইদুনা থংন-থংননা মরিরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা ফাওই। হরয়ানা টিমনা থংন-থংননা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা অসি হরয়ানা লৈঙাক্কী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী পোলিসি গোল্ড ফংবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লাখ ৩/৩, সিলভর ফংবদা লাখ ২/২ অমদি ব্রোঞ্জ ফংবদা লাখ অমমম্গী ইন্সেন্টিভ পীবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা হেন্না থৌনা পীবগা লোয়নননা মখোয়গী হোৎনজমলনা ওইবা ঙমখিবনি।"*

*- অজাদ সিংহ মালিক, হরয়ানা টিম কোচ*

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
মণিপুরনা যূম্মু ওইদুনা চথরকপা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন হোক্কী হরয়ানানা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা থংন-থংননা মরিরক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা হোক্কী ঝরখন্দনা রন্নর্স অপ অদুগা উত্তর প্রদেশ হোক্কীনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২৫না গ্রুপ ৮ থোক্তুনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা চথরকখিবনি।

খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা হোক্কী হরয়ানানা হোক্কী ঝরখন্দবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্কী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি। অহানবা ক্বার্টর লোইরমদাই হরয়ানাগী রিয়ানা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ক্বার্টর অসিদা অম্পায়র প্রামানিক ওইন্দ্রিলানা হরয়ানাগী শান্নরোয় পুজা অমদি রিয়া শান্নবগী ৮ অমদি ১৪শুবা মিনটতা গ্রীন কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মখা তাবা অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা ঝরখন্দগী নুপীমচাশিংনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথখিবগা লোয়ননা পেনাল্টি কোর্নর অহুম ফংবা ঙমখি অদুবু হরয়ানাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবগা লোয়ননা গোলকিপর নিধিনা ঝরখন্দগী গোল চনবা য়াবা বোল অমা সেভ তৌবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীনা গোল চনবা ঙম্নদবদগী হরয়ানানা ঝরখন্দবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ঝরখন্দগী নুপীমচাশিংনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদসু গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু হরয়ানাগী কাউন্টর এটেক অমদা সেহজালনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা হরয়ানাগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা টিম অনীনা অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী হরয়ানানা ঝরখন্দবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা অয়ুক শান্নখিবা থর্দ প্লেসকী মেটচতা উত্তর প্রদেশ হোক্কীনা হোক্কী মধ্য প্রদেশপু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।

উত্তর প্রদেশকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পুস্পাঞ্জরি সোনকর অমদি মনিশা পতেলনা অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ৪ অমদি ৫ শুবা মিনটতা অদুগা পুর্ণিমা য়াদবনা অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ডা. বাসুদেবনা থৌরম মপু, হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা স্পেসল গেষ্ট অদুগা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জন অমদি য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এস এস ছাব্রানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা অসিগুম্লবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা অসিনা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংদা অনৌবা পূক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা কয়া পীবা ঙম্লগনি। মতুং তারকপদসু লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

---

ষ্টেট এমেচর মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# ইম্ফাল ইষ্টনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর মুইএ থাই এসোসিএসন অমদি দি য়ুথ গাইদ ক্লব অনীনা শীন্দুনা জ য়পুর খুল মোইদাংপোক্তা চথরকপা ১০শুবা এম এ এম টি এ ষ্টেট লেভেল এমেচর মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট এমেচর মুইএ থাই এসোসিএসননা গোল্ড ১৬, সিলভর ১১ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ৩৩ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল্ড ৭, সিলভর ১১ অমদি ব্রোঞ্জ ১৪ পূন্না মেদল ৩২ ফংদুনা ওভরওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিদা থৌবালনা গোল্ড ২, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৪; জিরিবামনা গোল্ড ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ২ অদুগা বিষ্ণুপুর অমদি কাংপোকপীনা গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ফাইটিংগী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংগী ফাইনেল বাউটতা মায় পাক্লুনা ইম্ফাল ইষ্টকী অব্দুল শাহ নৱাজ (কেজি ৪৮), এম দি অজাদ (৫১), এম দি অজান (৫৪), ইম্ফাল ৱেষ্টকী উত্তম (৫৭), ইম্ফাল ইষ্টকী এম দি সমির হুসেন (৬৩), ও সুভাশ (৬৭), ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন চন্দ্রকান্ত (৭১) অমদি এস গোল্ডষ্ট (৭৫)না গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

রজাউদ্দিন (৪৮), এম দি অরিশ খান (৫১), এম দি ইলিয়াশ (৫৪), টি ঐচ পারি মৈতৈ (৫৭), এম দি রাজ খান (৬৩), এল বিকু (৬৭)না সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সিনিয়র নুপীগী কাঙলূপ্তা থৌবালগী ৱাই দেবজানী (৫১), ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ সুল্টানা (৫৪) অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম শর্মিলা (৭৫)না কাঙলূপশিং অসিগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিকাশ ৱাই (৫১), ইম্ফাল ইষ্টকী এম দি ফির্দোশ (৫৪), এম কে মির্জা খান (৫৭), এম দি রহিশ (৬০), এম দি অনৱার (৬৩.৫), ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল প্রিতম (৭৫) অমদি এস মালেমঙানবা (৭৫ মথক)না গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র নুপীগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী বিদ্যালক্ষ্মী (৪৫), এম কে রুকৈয়া শাহনি (৪৮)না গোল্ড মেদল অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী এম কে রেস্মা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী হোশিকা এমনা কাঙলূপ অনী অসিগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ২৭কী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পামজবা মৈতৈনা গোল্ড অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী অশিফনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কেজি ৪০গী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ মাজিয়া অমদি মেহনাসনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ঐচ কুল্লচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, মুইএ থাইগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট টি এম রাজেন অয়াঙবনা থৌরম মপূ অদুগা য়ারৌ বমদিয়ারগী জিলা পরিষদ সামোম মংলেম্বী, মোইদাংপোক গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান লাইশ্রম কৈন্যতোন অমদি শীজ হোস্পিটালগী চাইল্ড স্পেসিএলিষ্ট ডা. য়াইখোম্বা তাওরেমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

---

# ওন্স জাবর ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফর্ষ্ট রাউন্দদা লৈহৌরে



পেরিস, মে ২২ (এজেন্সী):
টুনিসিয়াগী সিক্স সীদ ওন্স জাবর ঙসি শান্নখিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা পোলেন্দগী ৱেঙ্ক ৫৬ মেকদা লিনেটকী মখূৎতা মায়থীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী মপান থোকখ্রে।

চহী ২৭ শুরবী জাবরনা অহানবা সেটকী শান্নবদা মেকদাবু ৬-৩দা মায়থীবা পীখি। অদুবু পুং ২গা মিনট ২৮ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অসিদা মহাক্না অশোয়বা ২৪ রক য়াওরকপদগী মেকদানা থংন-থংননা গেম অনী ৭-৬ (৭-৪) অমদি ৭-৫দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

---

# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টন ভিল্লা থোইদুনা প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, মে ২২ (এজেন্সী):
মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টন ভিল্লাবু ৩-২দা সিজন অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ঙসিগী টাইটল লৌবা অসিনা চহী ৫গী মনুংদা মরিরক শুবা টাইটল লৌবা ঙম্বনি।

ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি এষ্টন ভিল্লা অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টিম অনীনা শান্নবগী মিনট ৩৫ ফাওবদি গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লাকখি।

ভিল্লাগী দিগ্নেনা সিটিগী দিফেন্দরশিংবু নাথৈরম্লগা খায়রকখিবা বোল অমা সিটিগী কেন্সেলোনা হেদিং তৌদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ঙমহৌদবা বোল অমা মেথিয়ু কেশনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা এষ্টনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

এষ্টন ভিল্লাগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা হান্না লিভরপুলদা শান্নরম্বা কোটিনহোনা শাফূ কন্না মখাদা কাওরকখিবা বোল অমা গোলকিপরদা থেংলম্লগা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা এষ্টনগী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ২-০দা মাংজিল থাখি।

সবষ্টিটুয়টতা চঙলকখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ইলকে গুন্দোগননা হেদিং তৌশিন্দুনা শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অহানবা গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-২দা লৈহনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কাউন্টর এটেক অমদা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনাক্তগী রোদ্রিগোনা শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা স্কোর ২-২দা মান্নরবা মতুং মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অহানবা গোল চনখিবা গুন্দোগননা দি ব্রুনেগী পাস অমগী মতেংদগী শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টন ভিল্লাবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা প্রেমিয়র লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা নোর্থঅম্বরলেন্দগী মাইকেল ওলিভরনা সেন্টর রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

---

টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

# দেনিগী গোলগী মতেংনা এ টি সী সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা এ টি সী সী তেন্থানা ব্রদর্স য়ুনাইটেদ এফ সী লোইতাংবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তেন্থাগী দেনিনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা রোনাল্ডোনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিনখিবগা লোয়ননা টিম অনীনা স্কোর ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা দেনিনা শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা লোইতাং টিমবু ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এ কে তুনেশ্বরনা মায় পাকখিবা এ টি সী সীগী শান্নরোয় গোবিন্দাসপু শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। মেটচ অসিদা এল প্রিয়োবর্তা অমদি টি ঐচ জোতিননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা এল এস আই সী লম্লাই অমদি হিয়াই এফ এ লুৱাংশংবম ১-১দা দ্রো ওইখ্রে। হিয়াই এফ এগী গোল অদুনা সোমিসোন সিরকনা শান্নবা হৌরকপগী ২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা লম্লাইগী গোল অদুনা রেবন্তনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

---

# আই পি এল : পঞ্জাব কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু মায়থীবা পীখ্রে



মুম্বাই, মে ২২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ঙসি ৱানখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাব কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখিবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা সনরাইজর্সকী বেটসমেন অভিসেক শর্ম্মানা বোল ৩২দা রন ৪৩ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। রোমারিও সেফার্দনা আউট ওইদনা বোল ১৫দা রন ২৬ অদুগা ৱাশিংটন সুন্দরনা বোল ১৯দা রন ২৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা পঞ্জাবকী বোলর হর্প্রিটব্রার অমদি নাথন এলিসনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ৩/৩ অদুগা কাগিসো রাবাদানা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পঞ্জাবকী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ২৯ ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ৫ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১৬০ লৌরগা সনরাইজর্সপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখিবনি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা পঞ্জাবকী বেটসমেন লিয়াম লিভিংষ্টোননা আউট ওইদনা বোল ২২দা রন ৪৯ লৌবা ঙমখি। সিখর ধৱননা বোল ৩২দা রন ৩৯ অদুগা জোনি বের্ষ্টোনা বোল ১৫দা রন ২৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা সনরাইজর্সকী বোলর ফজাল হক ফরুকিনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা ৱাশিংটন সুন্দর অমদি উমরান মালিকনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।


লোইশিল্লকপদা পঞ্জাব কিংসকী ওলরাউন্দর হর্প্রিট ব্রারনা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৪ বোলিং তৌবদা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা লৌবা ঙমখি।

---

# গোকুলম কেরলানা স্পোর্টস ওড়িষ্যা থোইখ্রে

ওড়িষ্যা, মে ২২ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ঙসি কেপিটেল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা গোকুলম কেরলা এফ সীনা স্পোর্টস ওড়িষ্যাবু লাকচনা ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

গোকুলম কেরলাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ইলসাদদাইনা শান্নবগী ৫, ২৩, ৭৮ অমদি ৮৭ শুবা মিনটতা গোল ৪; সৌম্যা গুগুলোথনা শান্নবগী ৬৫ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা মনিশা কল্যাননা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা গোল অমা চনবা ঙমখি। ওড়িষ্যাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা প্যারি জাজানা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।


LOAN AVAILABLE
(No-Downpayment)


8 Lacs ফাওবগী মনুংদা লৈবা any vehicles - Eco Van, Diesel Auto, Petrol Auto, Battery Auto, Cars and any two Wheelers নচিংবগী ওইনা 100% finance without downpayment দা Loan লৌবগী খূদোংচাবা L.G. Motors Branch Office :- Thoubal, Kakching, Samurou, Nambol, Moirang, Sekmai অমসুং H.Q. (Khagempalli) দগী ফংবীগনি।

N.B.:- Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2 অমসুং Gr-IV/Helper 2/2 পামজৈ।
Samurou গী ওইনা Car Wash Helper/ Mechanic Helper 2/2 পামজৈ।

Sd/- L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West,
# 9774495994

HL-B/7613/22/4-20/6


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 461**

**FM Ward Altarbosh (2186) - CM Akshay Borgaonkar (2026)**
**Titled Tue 17th May Early chess.com INT (2), 2022.05.17**

1.e4 c6 2.Nf3 d5 3.Nc3 Nf6
4.e5 Ne4 5.Ne2 Qb6 6.d4 e6
7.Ng3 c5 8.c3 Nc6 9.Bd3 cxd4
10.Nxe4 dxe4 11.Bxe4 dxc3 12.bxc3 Qc5
13.O-O Nxe5 14.Be3 Qc7 15.Re1 Bd6
16.Rb1 Nxf3+ 17.Qxf3 O-O 18.h4 Qxc3
19.h5 Qf6 20.Qg4 e5 21.Qg3 Bf5
22.Bg5 Qe6 23.Bxb7 Bxb1 24.Bxa8 Rxa8
25.Rxb1 Qxa2 26.Rb7 Qd5 27.Rd7 Qd1+
28.Kh2 Qxh5+ 29.Bh4 Bf8 30.Rd5 Qg6
31.Qxe5 Qh6 32.g3 a5 33.Qe4 a4
34.Rd7 a3 35. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 460 Ans. :**
19. Qxe8+ Rxe8 20. Rxe8+ Bxe8 21. Rxe8#
Pillsbury's mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com